

প্রেমিয়র লীগ : ৱোল্ভসনা লুটন টাউন অদুগা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদনা শেফিল্ড য়ুনাইটেদ থোইখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): ইংলেন্দদা হৌজিক চথরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ৱোল্ভসনা লুটন টাউন অদুগা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদনা শেফিল্ড য়ুনাইটেদ মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদনা ফুলহাম অমসুং ক্রিষ্টল পেলেস অমদি ৱেষ্টহেম য়ুনাইটেদ অমসুং লিভরপুল দ্রো চৎখ্রে।

মোনিলক্স ষ্টেডিয়মদা ৱোল্ভস অমসুং লুটন টাউনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ৱোল্ভসনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী ৩৯শুবা মিনটতা ৱোল্ভসকী ৱাং হি চাননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ৫০শুবা মিনটতা ৱোল্ভসকী টোটিগোমেজনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। লুটন টাউনগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মেটচ অদুগী ৮০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। পাঞ্জল অদু কার্লটোন মোরিসনা চনখিবনি। মেটচ লোইবা ফাওবদা লুটন টাউনগী ওইনা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ৱোল্ভসনা পাঞ্জল ২-১দা থোইখি।

সেন্ট জেমস পার্কতা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদ অমসুং শেফিল্ড য়ুনাইটেদকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ন্যু কাসলনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ৫-১দা ন্যু কাসলনা থোইখিবনি। ন্যু কাসলগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২৬ অমসুং ৬১শুবা মিনটতা অলেকজেন্দর ইসাকনা অনী, ৫৪শুবা মিনটতা ব্রুনো গুইমারিসনা অমা, ৭২ শুবা মিনটতা কলম ৱিলসননা অমা চনখিবনি। অদুগা লেমহৌরিবা পাঞ্জল অমদুনা শেফিল্ড য়ুনাইটেদকী বোন ওজবরনা ৬৫শুবা মিনটতা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা চনশিঞ্জখিবনি। শেফিল্ড য়ুনাইটেদকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৫শুবা মিনটতা অনেল অমেদোজিকনা চনখিবনি।

ক্রাভেন কোটেজ ষ্টেদিয়মদা ফুলহাম অমসুং ক্রিষ্টল পেলেসকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীনা পাঞ্জল অমমম্ চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি। ফুলহামগী পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী ৫২শুবা মিনটতা রোদ্রিগো মুনিচনা অদুগা ক্রিষ্টল পেলেসকী পাঞ্জল অদুনা ৮৭শুবা মিনটতা জেফ্রি স্কলফনা চনখিবনি।

লন্দন ষ্টেদিয়মদা ৱেষ্টহেম অমসুং লিভরপুলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীনা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি। ৱেষ্টহেমগী পাঞ্জল অনী অদুনা মেটচ অদুগী ৪৩ অমসুং ৭৭শুবা মিনটতা মথংশিংনা জেরোদ বোৱেন অমসুং মিচেল এন্টোনিওনা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা লিভরপুলগী পাঞ্জল অনী অদুনা ৪৮শুবা মিনটতা এন্দ্রি রোবর্টসননা অমা অদুগা ৬৫শুবা মিনটতা ৱেষ্টহেমগী অলফোন অরোরানা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা চনশিঞ্জখিবনি।

কে ঐচ অরবজান বেগম মেমোরিএল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

সনরাইজ ক্লব অমসুং য়াওল ক্লব ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১২দগী হৌরগা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা টিম ১১না শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা কে ঐচ অরবজান বেগম মেমোরিএল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৫-এসাইদ সব-জুনিয়র বোইজ অন্দর-১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচশিংদা সনরাইজ ক্লবনা সী কে সী (বি) অদুগা য়াওল ক্লবনা সী কে সী (এ) মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। থা অসিগী ২৯গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা সনরাইজ ক্লব অমসুং য়াওল ক্লবকী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি সনরাইজ ক্লব অমসুং সী কে সী (বি)গী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংগী হৈ-শিংবা চাংচৎতা মান্নখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ১২ অমসুং ২৫ শুবা মিনটতা সী কে সী (বি)গী শান্নরোয় সোহিল অহমদনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা সনরাইজ ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৩৪ অমদি ৩৮ শুবা মিনটতা রোশন খান অমসুং অঙম্বনা পাঞ্জল অমমম্ চন্দুনা মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-২দা মান্ননা লৈখি। টিম অনীগী মরক্তা পেনাল্টি কাওনখিবদা সনরাইজ ক্লবকী ওইনা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অদুবু সী কে সী (বি) গীদি পাঞ্জল অমত্তা চলহৌদবদগী মেটচ অদু সনরাইজ ক্লবনা পাঞ্জল ৪-২দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ ওইনা য়াওল ক্লব অমসুং সী কে সী (এ)গী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৬শুবা মিনটতা য়াওল ক্লবকী শান্নরোয় এল সুরজনা সী কে সী (এ)গী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংগী হৈ-শিংবা মান্নখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নবদি ঙমখিদে। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা য়াওল ক্লবনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু টিম অনীগী মরক্তা মখা তানা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। মেটচ লোইবা ফাওবদা সী কে সী (এ)না মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু য়াওল ক্লবনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

পনবা য়াবদি, টুর্নামেন্ট অসি জিরিবামগী চীংদোং লৈকাইদা লৈবা কে ঐচ অব্দুল খানগী লৈখিদ্রবী লোয়নবী কে ঐচ অরবজান বেগমগী মিংদা কৎচবা টুর্নামেন্টনি।

উবর কপ : হৌদোকপা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী চহী নৌরিবা শট্টলরশিংনা কানাদা মায়থীবা পীখ্রে

চেন্নাই, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): চাইনাগী চেংদুদা ঙসিদগী হৌদোকখিবা উবর কপতা ইন্দিয়াগী নুপী বেদমিন্টন টিমনা গ্রুপ এদা লৈমিন্নরিবা কানাদাবু ৩-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শট্টলরশিং অসিনা কানাদাবু য়াম্না লায়বা মওংদা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। গ্রুপ এগী ওপনরদা ইন্দিয়াগী অস্মিতা চালিহানা কানাদাগী মিচেল লিগা লম্বা তৌনখি। মদুদা মশাগী চহী ২৪ রোম শুরবী ইন্দিয়াগী শট্টলর অসিনা মিচেল লিবু ষ্ট্রেট সেট ২৬-২৪, ২৪-২২দা মায়থীবা পীরমখিবনি। মদুগী মতুং প্রিয়া কোঞ্জেংবম অমসুং সুর্তি মিশ্রাগী পুংবানা কেথলিন কোই অমসুং জেস্লিন চৌগী পুংবাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীরমখিবনি। মিনট ২৭ লোম শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী পুংবা অসিনা কানাদাগী পুংবা অদুবু ষ্ট্রেট সেট ২১-১২, ২১-১০দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা কানাদাদগী পোইন্ট ২-০দা মাংজিল থাখি। মদুগী মতুং ইশারানী বারুৱা অমসুং ৱেন য়ু ঝাংগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনসু ইশারানী বারুৱানা মায়োক্নরিবা ৱেন য়ুবু য়াম্না লায়না কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদুসু ষ্ট্রেট সেট ২১-১৩, ২১-১২দা মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুং শান্নখিবা অনীশুবা দবলস মেটচতা ইন্দিয়াগী শিমরন সিংঘি অমসুং রিতিকা থাকরগী পুংবা জেকি দেব অমসুং ক্রিষ্টেল লাইগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি। অদুমওইনমক ইন্দিয়াগী শট্টলরশিংগী হৈ-শিংবনা কানাদাবু ৩-০দা থোইখিবনি।

ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা থোইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)গী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা চথরিবা অন্দর-১৭ খেলো ইন্দিয়া গর্লস ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু)না য়ুঠ ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী)বু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী মায় পাক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ৫৮শুবা মিনটতা ফোরৱার্দ শান্নরোয় নাওরেম হেনরিতানা চনখিবনি।

অমরোমদা, য়ং ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) অমসুং এফ সী ইম্ফালগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমমম্ চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি। য়ং ৱেলফ্যের ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ৩৭শুবা মিনটতা কোম্থৌজম দাইনানা অদুগা এফ সী ইম্ফালগী পাঞ্জল অদুনা ৭শুবা মিনটতা রেস্মানা চনখিবনি।

হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা মহৈকোল একাদেমি হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লৈমপোকপম খুনফম অৱাং লৈকাইদা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা থাঙ-তাবু পামজবা নুংশিজবশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা মহৈকোল হায়না মিংথোনবা থাঙ-তা একাদেমি অমা হৌনবী মতুংইন্না হাংদোকখ্রে হায়না হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী সেক্রেটরি হৈক্রুজম চা বাবুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা ময়াই তাংবল লৌখিবগা লোয়ননা ঙসিগী একাদেমি অদুসু হৌনবী মতুংইন্না প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা হাংদোকখিবনি।

ঙসিগী মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা হায়, থাঙ-তা অসি লমদম অসি ঙাকথোকপদা অমদি কন্নবা হোৎনবদা শীজিন্নরকখিবা য়াম্না কান্নরবা মতিক ময়াই লৈবা শা-লানগী মহৈ অমনি। থাঙ-তা য়োকখৎপনা ঐখোয়গী খুন্নাইগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তুনা থম্বা ঙমগনি হায়খি।

লা লিগা : রিয়াল মাদ্রিদনা রিয়াল সোসাইদেদ মায়থীবা পীখ্রে

মাদ্রিদ, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): স্পেনদা হৌজিক চথরিবা লা লিগাগী ওইনা ঙসি রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং রিয়াল সোসাইদেদকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা রিয়াল মাদ্রিদনা রিয়াল সোসাইদেদপু মায়থীবা পীখ্রে।

এনোটা ষ্টেদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা রিয়াল সোসাইদেদনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু মেটচ অদুগী ২৯শুবা মিনটতা রিয়াল মাদ্রিদকী আর্দা গুলরনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবদা নাকল অনীমক্কী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু রিয়াল মাদ্রিদনা পাঞ্জল ১-০দা থোইখিবনি।

[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
1st P.T	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
2nd P.T	9.50	1,500	14,250
		2,000	19,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rd Class	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			4,000

Contact No. 9612725842

HL-P/10395/15 to 27 April

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

भारतीय समुद्री विश्वविद्यालय
INDIAN MARITIME UNIVERSITY
(A Central University under the Ministry of Ports, Shipping and Waterways, Govt. of India)
Established by an Act of the Parliament in 2008

Admission Open for AY 2024 - 25

Be a Part of the Growth Story of Maritime Sector of India!

UG PROGRAMMES
- B.Tech. (Marine Engineering)
- B.Tech. (Naval Architecture & Ocean Engineering)
- B.Tech. (Naval Architecture & Ship Building)
- B.Sc. (Nautical Science)
- BBA (Logistics, Retailing and E - Commerce)
- BBA - Apprenticeship Embedded Maritime Logistics

(Students will receive a stipend of Rs. 7,000 per month during their apprenticeship period)

DIPLOMA PROGRAMME
- Diploma in Nautical Science 1-Year

PG PROGRAMMES
- MBA (International Transportation &Logistics Management)
- MBA (Port & Shipping Management)
- M.Tech. (Marine Technology)
- M.Tech. (Naval Architecture & Ocean Engineering)
- M.Tech. (Dredging & Harbour Engineering)

Admission Mechanism:
i. UG (B.Tech, B.Sc., DNS,) & PG (MBA, M.Tech.) -IMU CET
ii. BBA - CUET (UG) /12th Class marks
There is no IMU - CET for BBA programmes.

QR Code for IMU CET Registration
QR Code for BBA Registration

Last Dates:
Registration Closing Date (IMU-CET): 05.05.2024
Registration Closing Date (BBA): 30.06.2024

Query, if any, please write to:
For IMU-CET: cet24@imu.ac.in | For BBA: bba24@imu.ac.in

For more information visit : www.imu.edu.in
@IMU Headquarters imu_headquaters @IMU_HQ

Helpline:
044-2453 9027/28

HL-B/8700/28

[illegible] / খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থবা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোম্বা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ ময়াদা চেখায়বা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎপা, খোঙ হাম্বদা অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, পূক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হাম্নিংলকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু মশানা হনগৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী নাম্থরকপা শৌজ অদু খূৎনা ইনশিনমন্দনা অমাংথোঙ নারকপা অমদি চিক্লকপা, তোয়না অমাংথোঙদা শোকপা অদুনা, খোঙ হাম্বদা শৌজ নাম্থবা অদু য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি হৈনদবা পোকপা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোমথোরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা অদু মরক-মরক্তা চিক্লকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা থাউ মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইতবা হেনবা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরগা লৈবা, কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, অমাংথোঙদা শাগৎপা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা, চেখায়বা অদু ওইশিল্লু য়াদবা হীদাক তৈরবসু, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎপা, পূক চপ তিংখৎপা, চাবা-থকপসু য়াদবা, করিগুম্বা খজিক্তং চারবসু পূক হেক্তা কংখৎলগা চানিংদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, পূক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, হাম্বা চঙলুরগনা হাম্বা য়াদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8694/28

থাগৎচরিবা : **W. Haridas Singh,** Thanga

[illegible] / LOST

I have lost my Original Marksheet Cum Certificate of Higher Secondary Exam-2023 bearing Roll No. 27200 issued by COHSEM on the way between Wangkhei Palace Compound and Airport on 22nd April, 2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Malemnganba Soram**
Wangkhei Palace Compound
98639413239

HL-P/10044/28

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুষ্ঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পল্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পল্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পল্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8686/17 April to 16 May

Unique Education CBSE
[illegible]
THE FIRST CBSE & ICSE COACHING CENTRE AT IMPHAL.
ADMISSION OPEN
5-months Foundation for CBSE & CoHSEM XI Sc. 4th June
NAVODAYA. SAINIK & Outsiders IX. X. XISc. & XIISc.
Girls Hostel in the same block 02-05-2024
5-months Foundation for CBSE class X
Van service / Boys Hostel Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express

HL-B/8699/26/4-26/5

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR

Ref :- Mutation Case 39/SDC/BPR 2024

1. Thounaojam (O) Jamuna Leima, W/o Late Th. Ajen Meetei of Bishnupur W/No. 6
2. Thounaojam Chinglemba Meetei, S/o Late Th. Ajen Meetei of Bishnupur W/No. 6
3. Thounaojam Yaiphaba Meetei, S/o Late Th. Ajen Meetei of Bishnupur W/No. 6

- Petitioners

-Vrs-

Late Thounaojam Ajen Singh, S/o Late Th. Birahari Meetei of Bishnupur W/No. 6
(Co-Pattadar No. 1) - Opposite Party

[illegible] / NOTICE

Bishnupur, the 28th March, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং: ৩৮-বিষ্ণুপুর খা পাট্টা নং: ২৫৭ (অরিবা), ৮৩৪ (অনৌবা) C.S. Dag No. ১২৪৮/১৫৫৪ গী ০.৬৮ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী মনুংদগী ০.২২৬৬ একর চাওবা লমগী মপু কো-পাট্টাদার নং: ১ অসি মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইঙ্খোল শরুক অসি মথক্তা পঞ্জরিবা পিটিস্নরশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কো-পাট্টাদার ১ নং অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি / য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি / য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চঙ্খগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Bishnupur

HL-P/10576/28